# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 23-06-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্বগী থবক চথ্বগা লোয়ননা বঙ্কর কয়ামরুম থুগায়খ্রে হায়রি।

মনিপুর পুলিসকী কন্ত্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী জিরো পোইন্ট এরিয়াদা বঙ্কর অহুম থুগায়খি। থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌ চিংখোংদগী টুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল অমা, টুয়েল্ব বোল্ট এক্সন রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. অমা, রিভোলবর অনি, টু ইঞ্চ মোটার সেল মরি, হেন্দগ্রেনেদ অহুমনচিংবা ফাগৎপা ঙমখি।

ইম্ফাল ইষ্টকী কোংবা মরুগী ঈশিং থেন্বীদগী চিংখোং ফাওবদগী লেকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, মেগজিন য়াওবা লোকেল মেদ পিষ্টোল অনি, অতেকপা পোম্পী অমা, দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, নোংমৈ মরুশিং অমদি ৱাকি টৌকি ফাগৎপা ঙমখি। সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং কাংপোকপী জিলাগী বোংঙোল খ্লদা ত্রক দ্রাইভরশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই অমা ফাবা ঙমলে। মঙোন্দগী শেল অমসুং মোবাইল ফোন অমা ফংলে হায়রি। অতোপ্পা থৌদোক অমদা, ঙরাং মনিপুর পুলিসনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদগী কে.সি.পি. (সিটি মীতৈ) গী মীওই অহুম ফারে। মখোয় মীয়ামদগী শেল খায়বদা চেন্নবনি হায়রি। মখোয়দগী চাকা মরি পানবা গাড়ি অমা ফংবা ঙমলে।

নেসনেল হায়ৱে ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টুদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুশিল্লকবা হোৎনরি। হায়ৱে অসিদা গাড়ি পুন্না ৫১৯ ইম্ফালোমদা চংশিল্লকখ্রে।

**এনটিএ ঃ** নিট (পি.জি) এন্ত্রান্স ইগজামিনেসন ঙসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু কেন্দ্রগী হকশেল মন্ত্রালয়না য়ৈথোকখ্রে। পরিক্ষাগী অনৌবা তারিখ অথুবা

মতমদা লেপ্পগনি হায়রি।

মেদিকেল মহৈরোইশিংগী নেসনেল বোর্ড ওফ ইগজামিনেসননা লৌবা নিট (পি.জি) এন্ত্রান্স ইগজামিনেসনগী থবক থৌরমশিং অমুক হন্না য়েংশিন্নবগীদমক হকশেল মন্ত্রালয়না ৱারেপ অসি লৌরকপনি। কম্পিটিটিব পরিক্ষাশিং পাঙথোকপগী মওং মতৌদা হন্দক মরক মরাল কয়া শিরক্লিবা অদুগী য়েংলগা হকশেল মন্ত্রালয়না খোঙথাং কয়া লৌখৎলকপনি। পরিক্ষা থাবা মহৈরোইশিংদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লিবা অদুবু হকশেল মন্ত্রালয়না নুংঙাইতবা পোকই। অদুমওইনমক, খোঙথাং অসি মহৈরোইশিংগী স্বার্থ য়েংলগা লৌরকপনি।

মরক অসিদা, এন.টি.এনা চহি অসিগী মে মঙাদা পাঙথোকখিবা নিট অন দর গ্রেজ্য়েট পরিক্ষাদা অরান অহুই তৌখিবা অদু থিজিন্নবগীদমক সি.বি.আইদা শিন্ননবা ৱারেপ লৌরে হায়রি। মীয়ামগী ওইবা পরিক্ষাশিং অরান অহুই তৌদনবগীদমক কেন্দ্র সরকারনা পব্লিক ইগজামিনেসন (প্রিভেন্সন ওফ অনফিয়ারমিন্স) এক্ট ২০২৪ চৎহল্লে।

অমরোমদা, নেসনেল টেষ্টিং এজেন্সি (এন.টি.এ) না লৌবা পরিক্ষাশিং অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা, নিয়ম চুমা অমদি মনুং মপান ফাওনা পাঙথোক বগীদমক কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না অৱাংবা থাক্কী এক্সপার্ট কমিতি অমা শেমখিবা অদুবু য়ু.জি.সিনা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

য়ু.জি.সিগী চেয়ারমেন-এম. জগদেস কুমারনা হায়-অৱাংবা থাক্কী এক্সপার্ট কমিতি শেম্বা অসিনা এন্ত্রান্স পরিক্ষাশিং পাঙথোকপদা নীতি নিয়ম চ্মহন্নবগী খোঙথাং অমা ওইগনি। মহাকা হায়-কমিতি অসিনা পরিক্ষা তৌবগী মওং মতৌ, দাটা সেক্যুরিতিগী প্রোটোকোল হেন্না কনখৎহনবা অমদি এন.টি.এগী থবক থৌরমশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎনবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

**লোক ঃ** ১৮ শুবা লোক সভাগী অহানবা মীফম হয়েংদগী হৌরগনি। মীফমগী অহৌবা নুমিৎতা নৌনা সদস্য ওইনা খল্লবশিং ৱাশক লৌগনি।

প্রোটেম স্পিকর ওইনা খল্লবা বি.জে.পি. লুচিংবা-ভরত্রুহরি মহেতোবনা নৌনা খল্লবা লোক সভাগী সদস্যশিংবু ৱাশক লৌগনি। লোক সভাগী অনৌবা অধ্যক্ষ খনবগী মীখলনা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২৭ তা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী অপুনবা মীফমদা ৱা ঙাংগনি। রাজ্য সভাগী মীফম লাক্লিবা শগোলশেল নুমিৎতগী হৌগনি। সংসদকী সভা অনিমক্কী মীফম মথং থাগী অহুমদা লোয়শিনগনি।

**ক্রিকেট ঃ** টি-টোইন্তি মেন্স ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপকী সুপির আইট মেটচ অমদা ঙরাং ভারতনা বঙ্গলাদেসপু রন-৫০ দা থোইখ্রে। ৱেষ্ট ইন্দিজগী এন্তি গুৱাদা লৈবা সার ভিভিয়ান রিচার্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা হান্না বেটিং তৌখিবা ভারতনা অপিবা ওভরদা ৱিকেট মঙা তুরগা রন-১৯৬ লৌখি। বঙ্গলাদেসনা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপতগী রন-১৪৬ লৌবা ঙমখি।

## --নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা নাগা জ়রিদিক্সনদা কুকিশিংনা পোৎ-য়োনবা অথিংবা থম্বগী পাউ অমসুং জিরিবামদা পনদুনা লৈরকখিবা ওইল টেঙ্কর, গ্যাস বুল্লেটশিং ইম্ফালদা থোরকখিবগী পাউনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সেনাপতিগী নাগা জ়রিদিক্সনদগী কুকিশিংদা পোৎ পীবদা অথিংবা থমখ্রে হায়বা পাউ অসিনা পোকফমদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পিপলস ক্রোনিকল, সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক, সনা লৈবাক, ঈচেল এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যুজ

অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা লামাইদা ফোংনরি।

হুইয়েন লানপাউদা-জিরিবামগী লুপ ১০ না হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্তা অরোইবা মতম থারক্লে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা হয়েং নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবগী মনুংদা মতিক চাবা সেক্যুরিতি ঙাক্লগা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরক্লিবা মীওইশিং মশা মশাগী লৈকাইদা হনজিলহনদ্রবদি অকনবা খোঙজং চংশিল্লক্কদৌরিবা হায়বা পাউ অসিনা কল্লর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-মীয়ামবু তিন-কাংগুমা উবদি লানগনি হায়বা হান্নগী দিপ্যুতি চীফ মিনিস্তর-গাইখাঙমগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পোকফম, সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসন, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ অমসুং সনা লৈবাক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মীতৈ অমদি নাগাশিংদা এট্টেক তৌননবা মশিং য়াল্লবা কুকি মিলিটেন্টশিং জিরিবাম অমদি তমেংলোং মায়কৈদা থোমজিনবা হৌখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা এন.এস.সি.এন (আই.এম) গী কাদরশিংনা কুকি মিলিটেন্টশিং থেংননবা শেম শারগা লৈখ্রে হায়বা পাউ অসিনা কল্লর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর ন্যূজতা-চীফ মিনিস্তর এন. বিরেন গুৱাহাতি পাংখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা হুইয়েন লানপাউ অমসুং সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক্তা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-তেংনৌপলগী মরিং এরিয়াদা ইলিগেল ইমিগ্রেন্ট ১,৪২৮ লৈরে হায়বা রিল রাম এরিয়া মরিং ওর্গনাইজেসন (রামো) গী ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল কো-ওর্দিনেটিং কমিতি ফোর

পিছনা মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা দিবেট তৌ হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক, তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা সঙাই এক্সপ্রেসকী এদিসন অনিমক অমসুং মনিপুর ন্যুজতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

মনিপুরগী ইরাং অসাম য়ৌহন্দনবা হিমন্ত বিশ্বাস শর্ম্মনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখে হায়বা পাউনা ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি। পাউ অসিমক তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা পোকফমদসু ফোংলি।

পোকফমদা-কুকিশিং সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মহুৎতা য়ুনিয়ন টেরিটোরি ওইনা দিমান্দ তৌরি হায়বা পাউ অসিনা পোকফমদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা হয়েং দিষ্ট্রিক্ট মরিদা মাচ রেল্লি চৎননবা শেম শাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা কল্লর হেদলাইন তৌরি।